# ওনলাইনগী খূৎথাংদা 'নারী চেতনা' পাঙথোকখ্রে

পোক্নফম নিউজ সার্বিস

ইম্ফাল, জুলাই ২ঃ সাহিত্য একাদেমি নিউ দিল্লীনা শীন্দুনা মণিপুরী লেংগ্বেজ এদভাইজরি বোর্দকী ৱেবলাইন্নি লিতরেরি সেরিজগী মনুং চন্না অহানবা ওইনা ওনলাইনগী খূৎথাংদা 'নারী চেতনা' জুম ক্লাউদ মীতিং ওসি পাঙথোকখ্রে।

থৌরম অসি সাহিত্য একাদেমি কোলকতাগী প্রোগ্রাম ওফিসর মিহির কুমার সাহুনা হোস্ত তৌখি। শক্নইহৎরবা ক্রিতিক অমসুং স্কোলরসু ওইরিবা মণিপুর য়ুনিবর্সিতিগী দিপার্তমেন্ত ওব মণিপুরীগী প্রোফেসর নহাকপম অরুনা দেবী, শক্নাইহৎরবা এক্ত্রেস আর কে হেমাবতি দেবী অমসুং মণিপুর য়ুনিবর্সিতিগী দিপার্তমেন্ত ওব দান্স এন্দ ম্যুজিক্কী এসিস্তেন্ত প্রোফেসর পি লীলাবতি দেবীনা থৌরম অদুদা ৱা ঙাঙখি। প্রোগ্রাম অসি সাহিত্য একাদেমি নিউ দিল্লীগী ৱেবসাইত্তা উবা ফংগনি হায়রি।